থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# একজিৎ পোল ! ভোৎ'সিবু অরোনবা ওইরিবরা?

থবক অমা তৌরুরবা - মহয় অমা ফংবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। মহয় অদু খাবা/শিনবা/থুম্বা হায়বদুনা, মহাক্না তৌরুরিবা থবক্তুগী মখা পোনবনি। অদুননি, হিন্দুশিংগী 'গীতা' কৌবা লাইরিক্তুগী মমিং চৎলবা ৱাহায় অমা লৌথোক্লরিবা... থবক অমা তৌবদা মহয়দুগী খল্লুনু, নথৌনি খল্লগা তৌ...। অদুবু, অঙকপনি মীওইবই ৱাখল! মানা তৌরুবা থবক অমগী মহয়, হান্না খঙনীংবদই হেন্দোক্তুনা মহাক মশাগী পুন্সিদা কোন্না থোক্লক্কদৌ' থৌদোক্তুসু হান্না খঙনীংই। অদুদগীনি - খূবাক ময়ি য়েংবা, কুঠি য়েংবনচিংবগী চৎনবী হৌদোকখিবা।




অসুম্না তুংদা থোক্লগদবা/ওইরক্কদবা খঙবা ঙমদবা থৌদোক খঙনীংবগী অপাম্বদুনা থূমহৎখিদুনা থাজবদা য়ূম্ফম ওইরগা খঙননবা পাম্বে কয়া পুথোক্লরকখি। তুংলমচৎ হায়বা ঙম্বা মী ফাওবা পুথোক্লকখি। থাজনখি।

হয়েং মশীং থিদৌরবা, অচুম্বা মশক খঙদৌরবা লোক সভাগী অনৌবা সিট কনানা (করম্বা পার্টিনা) কয়া ফংনদুনা কনানা অনৌবা লৈঙাক শেম্লগদগে খঙগদৌবা লৈরবসিমক্তদা 'কনানা কয়া ফংনরবা য়াবগে' হায়বদুগী ওইরকপা য়াবা মশীং অমা লৈপাক শিনবা থুংনা পানদুনা ঙাঙনরি। 'একজিৎ পোল' হায়না খঙনবা পাম্বে অদু শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবা 'সর্ভে' (থিজিনবা) অমগী মতুংইন্ননি। করম্বা এজেন্সিনা পাঙথোকপা 'সর্ভে'দা কনানা কয়া ফংনবা-পূম্নমক্না খঙনরে, ৱাহৈ অমুক মাঙহনজররোই। কোল্লম স্পেস মাঙনবনি, ইররোইসিরা খল্লম্বনি। অদুবু, কাঙলূপ অমগী মায়কৈদা কা হেন্না মীচঙ চঙবা, অতোপ্পা কাঙলূপ অমবুনা হান্নগুম তোরা তুরগনি হায়বা পাউজেল অমা শন্দোরকপসিদা 'একজিৎ পোলগী ৱা থাজবীরুগনু, কাঙলূপ অমই মীচংদা অতোপ্পদুবু পূক্নিং হঞ্জানহন্নবা হোৎনবা থৌশিল অমনি, খুকউ শেন্না লৈবীয়ু' হায়বনচিংবা ৱা অমুক শন্দোরকরই। একজিৎ পোল - অরানবা খরা, অচুম্বা খরা ... হৌখিবা চহী কয়াদগী ইলেক্সন খুদিংগী তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সি কয়ানা পাঙথোক্লরকই । মতাং চারিঙৈ, থৌওংসিগী মতাংদা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নবা য়াবা ৱা খরা খঙমিন্ননবা হৌদোকচরুবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি অকনবা কেন্দিদেট অনীগী কাঙলূপ-কাঙলূপ, নাকপাক-নাকপাক লেপ্নরগা থরোই লমজেল তান্নহল্লগা লমথুংফম য়ৌবা হানবা থরোইদুগী কাঙবুনা 'ভোৎ কারগনি' থাজনবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। অদুগুম্বা থাজনবীদুদি নত্তে - একজিৎ পোল'। একজিৎ হায়বদি থোক্লকপা! ভোৎ থাদরুরগা থোক্লকপা মীশিংদুদা হংলগা 'কনাদা ভোৎ থাদরম্মী' হায়বদুগী পাউখুম মতুং ইন্না - করম্বা পার্টিগী করম্বা কেন্দিদেটনা কাবা য়াবগে হায়বদু ৱাখলনা শাগৎপনি। ভোট্টর খুদিংমক্না উনদুনা ৱারী শাবদুনি ওইথোক্তবা, লোয়ননা, লোন্না থাদরম্বা 'ভোৎ' তুবু হেক্তা ফোংনা হায়দোক্লমগনি হায়বগী থাজবদুসু, চাদা চাম্মা চুম্মী হায়না লৌবা য়াদবনা, একজিৎ পোল খুদিংমকসি শোয়দনা চুম্লগনি হায়বগী গরেন্টিদুসু লৈবা নত্তে। অদুবু, রান্দম সেমপ্লিং হায়বা ষ্টেটিষ্টিক্সকী ফোর্মুলাদু পাল্লগা লৈপাক হুপ্না চথুরকপা সর্ভে অসিগী রিজল্ট'তগী মে ২৩গী মতুংদা ওইরকপা য়াবা চাউরাকপা মশক অমবুদি লেপ্পা য়াই- এন দি এ, য়ু পি এ নৎত্রগা মহাগদবর্ধন - অহুমসিগী মরক্তা করম্বনা সিট মশীং হেন্না ফংবা ঙমগনি।

'ওপিনিয়ন পোল' হায়বগা 'একজিৎ পোল' গা খেন্নে। ওপিনিয়ন পোল হায়বনা, ভোট্টরশিংনা ভোৎ থাদদ্রিঙৈ, কনাদা ভোৎ পীসিগে/কনাদা পীরগা ফগদগে হায়বদুগী মোত লৌবদুনি। অনীসি নত্তবা, 'এন্ত্রান্স পোল' হায়বা, ভোৎ থাদবা চঙলমদাইদা 'কনাদা ভোৎ পীগনি' হায়বা ইনফোর্মেসন অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা পীবা 'পোল-আউটকম' গী এসেসমেন্ট মখল অমসু লৈ। খ্বাইদগী রিলায়েবল ওইবা/থাজনীংঙাই ওইবদি 'একজিৎ পোল'নি লৌনরি। থৌওং অসি কনানা, করম্না হৌদোকখিবনো হায়বই মতাংদা কনানসু চপ চানা হায়বা ঙমদে। অদুবু, হোলেন্দ (নেদরলেন্দ) গী পোলিটিসিয়ন ওইরম্লগা সোসিওলোজিষ্ট ওইরকখিবা 'মার্সেল ভান দাম' না ইহান হান্না হৌদোকখিবনি থাজনৈ। ফেব্রুৱারী ১৫, ১৯৬৭তা পাঙথোকখিবা 'দটচ এসেমব্লি ইলেক্সন' দুগী মতুংদা মহাক্না 'একজিৎ পোল' ইহান হান্না পাঙথোকখি। অতোপ্পা সোর্স অমনদি মালেমগী অহানবা একজিৎ পোল, 'ৱারেন মিটোফসকি' কৌবা অমেরিকান অমনা পাঙথোকখি হায়, 'কেনটক্কী গুবরনেসনেল ইলেক্সন' ১৯৬৭ নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা অদুদা। কনানা পাঙথোকখিবনো চপ চাবা খঙদ্রবসু মসিগী মমাঙ ১৯৪০দা অমেরিকাগী 'কোলোরাদো' দা 'একজিৎ পোল' পাঙথোকখি হায়বই পাউসু ইরকখিবা থেংনৈ।

ইন্দিয়াগী ওইনদি, ১৯৯৬ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চলাইরিবা 'দুরদর্শন' না 'সেন্টর ফোর দ ষ্টদি ওফ দিবলপিং সোসাইটিজ' (সী এস দি এস) দা থৌদাং অসি পাঙথোক্লবা শিন্নখিবা অদুনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা অহানবা 'একজিৎ পোল' ওইরমগনি পানরি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা ফংবা রিজল্ট' অদুগুম, সী এস দি এসকী লাইফাও অদু চুম্লকখি।

অদুগী মতুং তারকপা ইলেক্সন'শিংদদি 'একজিৎ পোল' - তৌদ' য়াদ্রবা তঙায়ফদবা অমা ওইরক্লে। 'একজিৎ পোল' গী রিজল্ট'না ভোট্টরশিংগী ৱাখলদা অকনবা থৌইনশিন পী হায়দুনা, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া' না ভোৎ থাদবা পূমলোই লোইদি'ফাও থৌওং অসি পাঙথোকপদা অথিংবা থম্লকখিবনি। হয়েং নুমিদাংৱাইরম খঙনি-একজিৎ পোল' না হরাও মথোয় কাহল্লিবশিংসি অমুক লেকথহনগদ্রা?

লৌশিং পুক্কে

# মীওইববু তোখায়বা তাইবঙ অমদা লৈহল্লিবা দ্রগ

কেটামিন হায়বসি মীওইবা অমসুং শাশিংদা পূক্নিং-ৱাখল পোৎথাহনবা অমসুং চৈনাখোল কোকহনবা হীদাক মখল অমনি। হোস্পিটালদা অনা-লায়েংগী লমদা শীজিন্নবা হীদাক মখল অসি কনাগুম্বনা অরানবা মওংদা শীজিন্নবা য়াওই।

অনা-লায়েংগী লমদা অখঙ-অহৈশিংনা অকক্লবা চাংদা শীজিন্নবদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতবা হীদাক অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নরবদি কা-হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। তোয়না শীজিন্নরবদি লায়চুখিদুনা থাদোকপা ঙমদে।

ভেটেরিনরি মেদিসিনদা পাক-শন্না শীজিন্নবা, করিগুম্বদা মীওইবদসু ওপরেসন মচা-মশু তৌবদা শীজিন্নবা হীদাক অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমবু অকোয়বগী ফীভমগা শম্নহন্দনা তোখায়বা তাইবং অমদা লৈবগুম ফাওহল্লি। "এক্সটেসি"গা মান্নবা মওংদা "ক্লব দ্রগ" ওইনা শীজিন্নবা ময়াই কাবা পোৎলম অসি "দেট রেপ দ্রগ" হায়নসু খঙনৈ।

কনাগুম্বনা হীদাক অসি নুংশিনবী নৎত্রগা খঙন-চান্নবী নুপীদা থক্লবা মহী অমদা য়ানশিল্লগা পীথকপা মতমদা নুপী অদু ৱান্থবা নৎত্রগা ৱাখল মাঙবদি তৌদনা অতোপ্পা তাইবং অমদা লৈবগুম অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোকশিং খঙবা ঙমদে। মতমদুদা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবদা মখল অমত্তগী অপনবা অথিংবা পীরক্তে হায়রি। মসিমক্না মরম ওইরগা হীদাক অসিবু "দেট রেপ দ্রগ" হায়না খঙনবনি।



মীওইবদা য়া শৎপা, কার্দিয়া কেথেটরাইজেসন, টেট্টু য়েকশিল্লবা উনসা খোৎথোকপা, অতেকপা শরূ শম্বা অমসুং ওপরেসন মচা-মশু তৌবদা চৈনাখোল ফাওহন্দনবগীদমক কেটামিন শীজিন্নে।

কনাগুম্বা মীওই অমদা হীদাক অসি পীথকপা নৎত্রগা কাপশিনবা মতমদা মীওই অদু তুম্নিংবা ফাওরকই; তাবা ঙম্বা অমসুং উবা ঙম্বগী মওং মতৌ হোংলকই; ৱাখলনা শাগৎলগা মীৎতা থৌদোক কয়া মশেন-মরাং উরকই; ৱাখল চমম্নরকই; হকচাংনা মফম অমদা লৈহৌরগা ৱাখলনা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিবগুম ফাওরকই; ৱাখল খনবা ঙম্লক্তে; চানিং-থক্নিংবা ফাওরক্তে অমসুং হকচাং লেঙবা ঙম্লক্তে।

নহারোলশিংনা পার্টি তৌবদা হেক হেক শীজিন্নবা দ্রগ অসিবু তোঙান তোঙানবা মিংথোল পীরি। খরদং পল্লবদা কেট ভেলিয়ম, কিটকেট, স্পেসল কে, হোর্স ট্রাংকুইলাইজর, কেট, পর্পল, সুপর কে, জেট অমসুং দেট রেপ দ্রগ অসিনচিংবনি।



শীজিন্নবগী মওংদি গুলি ওইনা য়োৎশিনবা; মকুপ তানা শুগায়রগা নাতোলদা চিংশিনবা; চুরূট নৎত্রগা গঞ্জাগা য়ান্নরগা মৈখু ওইনা চিংশিনবা য়ু নৎত্রগা মহী অমদা থীৎলগা থকচিনবনি। য়োৎশিনখিববু ওইরবসু, মকুপ ওইনা নৎত্রগা মৈখু ওইনা চিংশিনখিববু ওইরবসু কেটামিননা মথৌ তৌরকপগী মওংদি চপ মান্নে। মীৎকুপ খরগী মতুংদা হকচাং লেঙবা ঙমদে। হকচাংনা মফম অমদা লৈহৌরগা ৱাখলনা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিবগুম ফাওহল্লি। থৌওং অসিবু 'কে-হোল' দা লৈবা হায়না খঙনৈ।

থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদি মশা-মথন্তা অশোক-অপন নংহঞ্জবা, অচুম-অরান খন্থবা ঙমদবা, মীনা এটেক তৌরকপদা ঙাকথোকপা ঙমদবা, ফুরক্লবসু চৈনাখোল ফাওদবা অসিনচিংবনি। মতম শাংনা নুমীৎ খুদিংগী কেটামিন শীজিন্নবা থোক্লবদি ব্লাদর, কিদনি অমসুং চাকখাউ শোকহনবগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙখিবা য়াই।

খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি কনাগুম্বনা কেটামিনবু 'দেট রেপ দ্রগ' ওইনা নুপী ফন্নানবদা খুৎলায় অমগুম শীজিন্নরকপগী মতাংদনি। নুপী মশানা ফনা য়াজদ্রবসু কেটামিন হাপচিল্লবা চা নৎত্রগা কোফী নৎত্রগা সোফ্ট দ্রিঙ্ক থক্লুরবদি অপাম্বা মওংদা ফন্নানবগী থৌওং চথুবদা নুপী মশানা অপনবা-অথিংবা অমত্তা পীরুবা ঙমদে। হীরম অসিদা নুপী ওইবীশিংনা চেকশিনবা য়াম্নামক তঙাইফদে।

# নন কম্মুনিকেবল দিজিজগী পোপ্যুলেসন বেজ স্ক্রিনিং অমদি এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ কেন্সর, দাইবেটিস, কার্দিও-ভাস্কুলর দিজিজেস এন্দ ষ্ট্রোক (এন পি সী দি সী এস) কী মখাদা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর পি ঐচ সী খোংজোমনা শীন্দুনা লায়ওংশিং অসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা পোপ্যুলেসন বেজ স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম অমা খোংজোমদা লৈবা হেল্থ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। নন কম্মুনিকেবল দিজিজ কয়া অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেসসু পাঙথোকখি।

এৱ্যেরনেস অমদি স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম অদুদা দি এফ দল্লিয়ু ও থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচা, এন ঐচ এম থৌবালগী দি পি এম, সী ঐচ বসন্ত অমদি এন সী দি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর ডা. কে ঐচ হোমেশ্বরনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ওরেল কেন্সরগী মরমদা দেন্টেল স্পেসিএলিষ্ট দি এন ও, এন ও ঐচ পি, ডা. পুর্ণিমা- নন্দি ৱাইখোম অমসুং সর্ভিকেল কেন্সরগী মতাংদা গাইনোকোলোজিষ্ট ডা. টি নোরেননা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। পুন্না মীওই ১৫০ দা স্ক্রিনিং পাঙথোকখি। ক্রাস্না দাইগ্নোষ্টিককী টিমসু শরুক য়াদুনা মখল কয়াগী টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবসু ফংহনখি।

এৱ্যেরনেসকী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা দি এফ দল্লিয়ু ও থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচানা হায়, খোংজোম পি ঐচ সী অসি হৌজিক্তি হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর পি ঐচ সী ওল্লবনিনা হান্না লৈরমদবা খুদোংচাবা কয়া অমা হোস্পিটাল অসিদা ফংলগনি। নন কম্মুনিকেবল দিজিজেস কয়া য়েংবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি। মরম অসিনা হোস্পিটাল ওথোরিটি অমদি মীয়ামগী মরক্তা নীংথিনা পাউ ফাওনদুনা সেন্টর অসিদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং পুন্না খঙদোকমিন্নদুনা পামদবা লায়ওং কয়াদগী মতম চানা ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# ষ্টেট লেবেল মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): ভারত স্বাভিমান ট্রষ্ট এন্দ পতাঞ্জলি যোগ সমিটি মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট লেবেল মীটিং অমা চীংঙা মথক পতাঞ্জলি যোগ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ভারত স্বাভিমান হরিদ্বারগী মুখ্যা কেন্দ্র প্রভারি রাকেশকুমার, চীফ পেত্রোন বি এস টি মণিপুর বাসুদেব অমদি রিমসকী য়ুরোলোজি দিপার্টমেন্টকী রিটয়র্দ প্রোফেসর ডা. সিনাম রাজেন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা বি এস টি মণিপুরগী রাজ্য প্রভারি কে এস ঐচ গোপেন্দ্রনা, লমদম অসিদা যোগ সেন্টর ৮০০ হেন্না লৈরি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়নসু মখা তারি।

# এন্টি টেররিজম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

নেহরু যুব কেন্দ্র, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ঙসি সোসল এথলেটিক দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, নোংপোক সঞ্জেনবমদা এন্টি টেররিজম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এন ৱাই কে, ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এন ৱাই কেনা ঈং-তপ্পা, ইন্টিগ্রিটি অমদি সোলিদরিটিগীদমক লেপ্পুনা লাক্লি। এন ৱাই কেনা শীন্দুনা ঙসি এন্টি টেররিজম দেগী থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিগী পান্দমদি টেররিজমদগী লাপথোক্না লৈসি হায়বা অসিনি। ফুরুপশিগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী মরী অদু শাগৎপা তঙাইফদে। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ুথ ক্লব কয়াদগী নহা ১৫০ রোম্না শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

LUWANG EDUCATIONAL TRUST
A Prominent Education Consultancy of North East India
Regd. No. 548/SR(IE)/2016
+91 7005683347
+91 9856167106
ADMISSION STARTS FOR SESSION 2019-2020
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
BETTER EDUCATION FOR BRIGHT FUTURE
MBBS ABROAD:
BANGLADESH
CHINA
NEPAL
KYRGYZSTAN
UKRAINE
KAZAKHSTAN
PHILIPPINES
PACKAGE STARTS FROM 10 LACS
STUDY IN INDIA:
# MBBS
# BDS
# BSc AGRICULTURE
# BSc HORTICULTURE
# BSc FORESTRY
# NURSING
# FISHERY
# BE/B.Tech
at DEHRADUN, CHANDIGARH, BENGALURU, GUWAHATI & ANDHRA PRADESH
# MEDICAL MICROBIOLOGY
# FORENSIC Sc.
# B.Pharm.
#TRAVEL & TOURISM
#CBZ,BPT
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES
FEW SEATS FOR BAMS AYURVEDIC
Luwang Educational Trust, Palace Compound,
Near Govindajee Temple Main Gate, Imphal East
HL-B/5398/20,21,22,23,25-12july (alt)

RG RaDiant Group
Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

Manpower Requirements

Date of Interview 25th May 2019

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume by Walk-in between 10:00 am -4:00 pm
or SMS / Whatsapp us at +91-9774132616 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Finance | Branch Manager (M/F) (Moirang&Thoubal) | 1-2 Yrs. | 2 | Graduation- preferably Management | 8,000-15,000 |
| Finance | MIS (M/F) | 0-2 Yrs. | 1 | Graduation- Preferably M.Com. / B.Com | 6,000-8,000 |
| Finance | R.O. (Imphal, Thoubal &Moirang) (M/F) | 0-1 Yrs. | 6 | 10+2 and above | 5,000-7,000 |
| Finance | Cashier (Thoubal & Moirang) (M/F) | 0-1 Yrs. | 2 | Graduation- preferably B.Com | 5,000-7,000 |
| Grafix | Machine Operator Assistant (M) | 0-1 Yr. | 1 | 10th and above | 5,000-7,000 |
| Grihan | Manager (M/F) | 1-2 Yrs. | 1 | Graduation- preferably Management | 8,000-15,000 |
| Fitness | Spa Therapist (M) | 0-1 Yr. | 1 | N/A | 5,000-8,000 |
| Corporate | Web Developer (M/F) | 0-1 Yr. | 1 | B.SC. IT/ B.C.A. | 5,000-8,000 |
| Corporate | Driver (M) | 1-2 Yrs. | 2 | 8th and above | 5,000-7,000 |
| Corporate | Mali (M) | 0-1 Yr. | 2 | N/A | 5,000-7,000 |

Sd/- Human Resource Generalist
RaDiant Group
HL-B/5373/5/5-3/6

Pinewood View School
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
ADMISSION OPENS
FOR CLASS XI (Sc.) 2019 - 2020 Session
PRINCIPAL
L. Somarjit Singh
Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal
GUEST LECTURERS
Kh. Dinokumari Devi — Retd. Senior Lect. English
L. Ramananda Singh — Retd. Associate Prof. Chemistry
C. Ibotombi Singh — Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Ch. Rajendro Singh — Retd. Associate Prof. Imphal College
ADVISORS
A. Puru Singh (Chemistry)
N. Singhajit Singh (Physics)
FOUNDERS
L. Kumarjit Singh (Biology) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
S. Nikunja Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
FACULTIES
Kh. Anjila (English) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Meouni Lalshram (Biology) — M. Sc. Biology, NET (JRF)
A.Sangita Chanu (Chemistry) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Jeetchand Sanabam (Physics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
N. Rojesh Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
I. Sures Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
FACILITIES

| | |
|---|---|
| For Rankers : | Freeship + Scholarship |
| 85% & Above But Below Rankers: | Freeship + Scholarship of ₹ 3000/- per month for 2 years. (Limited Seat) |
| 80% & Above But Below 85% : | Freeship (Limited Seat) |
| 70% & Above But Below 80% : | Admission Fee free (Limited Seat) |
| 65% & Above : | Direct Admission (Limited Seat) |

pinewoodviewschool@gmail.com
Learn, Excel and Serve
HL-P/5371/22/5-12/6

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৫।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা কালেনগী ১৯নি পানবা।

**মেষ :** পাউ নুংঙাইবা তাবা,অনৌবা মরুপ ফংবা, থাজদনা ওইজ-ওইথক ফংগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, অচুম্বনা মায় পাকউ হায়বা নুমীৎনি। চরাংলদি শেল চৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃষ :** নীংবা থুংগনি, অফবা লৈফম ফংগনি, নক্লবা মীশিংগী মতেং লৌবা কান্নগনি। য়েক্লবা মাংগনি, মীয়াম পুন্দুনা ৱাখল নুংঙাইবা ফংগনি। নাপল তৌরদি চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** নচাক নরল চাওখৎপা, ৱাখল থোকপা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা চাওনা মায় পাকচবা লৈগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা অদুবু নথক থোংবনা য়েংশিনবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি, হেন্না অশা চাওবনা মতম হেন্না মাংনিংঙাই ওই। খাঙবা কনবা অমদি থিবা হুম্বা কনবগী কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। মীতোপ্না মাংহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : মরুপকী মতেং লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ :** থাজদনা ওইজ-ওইথক ফংগনি,অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি অমদি অৱাবা খরা মায়োক্লরসু অনীংবদি শোয়দনা পাংবা ঙমগদবা নুমীৎনি। য়েংথিনবনা শক-চু থোকপা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা:** য়েক্লবা মাংগনি, মীচং হেনগৎপা অমদি শাগৈ, মরী-মতা ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। ৱাঙাঙ চেকশিল্লু অমদি মমল চংবা পোৎ পীথোক্নু-মাংগনি। কিদবনা লন ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : থৌনা ফুদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** মীংচৎ ফংবগী নুংঙাইবা, অরুবা থবক্কী পোরম নীংথিনা য়াৎপা ঙমজবা অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা তেংবাংবীগদবা নুমীৎনি। মুক্লবা লৈরদি য়েক্লবা লাকশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : খাঙবা কনবনা ওইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** নীংবা থুংবা, হরাওবতা নত্তনা ওইজ-ওইথক তানবদা চাওনা কান্নবা ফংগদবা নুমীৎনি। পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি হুরানবদগী চিংনবা পোকপা লৈগনি। চীন য়াংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** অৱাবা কোক্কনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি মীয়ামগা মরী ফগনি। নতোমতগী ৱাখল্লোন্না থবক পাংগে খনগনু অমদি নথক থোংবনা য়ানবা নোল্লুক্না চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী : মরী হান্নগুম ফনা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** লাইবক ফগনি, শেল ফংগনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি লাই গুরুনা চানগনি। পন্দুনা লৈবা শেল-থুম অমদি মরুপ-মপাংগা মরী ফত্তবগী নুংশাথিবা পোকপা লৈগনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱাঙাঙ হৈবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** য়েক্লবা ঙমদুনা পাংঙমদবা থবক পাংগনি, লন-থুম ফংগনি অমদি লৌশিং চাবা নুমীৎনি। নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবা মায় পাক্কনি। মীতোপ্না ইনশিনবা লৌবা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী : ওইদবনা মায় পাক্লোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন:** অনীংবা থবক নতোমতা পাংবা ৱাগদবা লৈ, মীতোপসু লোয়নবা য়াদে অদুনা নক্লবা মীদং লোয়ননবা হোৎনৌ অমদি ঈংনা তপ্না থৌ পাংবনা লন হেনগৎকনি কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।